**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06-09.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মোইরাং-সেন্দ্রা রোডতা লৈবা যুম অমদা লোকেল মেদ রোকেট বোম কাপশিল্লক্লুনা এটেক চত্থরকপদা মীওই অমা লৈখিদ্রে, মীওই মঙানা অশোক অপন নংলে।

২) মণিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা হয়েং রাজ্য অসিদা লৈরিবা মহৈ লোইশঙ খুদিংমক সরকারনা ছুতি লাউথোকখ্রে।

৩) কৌক্রুক্তা মীচম নুপী অমা লৈখিদবা অমদি কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখিবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লুনা ঙসি মফম কয়াদা মীয়ামা হ্যুমেন চেনগী খোঙজং চংশিনখ্রে।

৪) জম্মু কাশ্মীর বিধান সভা মীখলগীদমক বি.জে.পিগী মেনিফেষ্টো ঙসি ফোংখ্রে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি- মহৈরোইশিংবু মশা মশাগী মমা লোলদা মহৈ তম্বীবগী থৌরাং অসি মপুংফানা পায়খৎপা তঙাইফদে।

------

বোম(এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং-সেন্দ্রা রোডতা লৈবা মীওই অমগী য়ুমদা অরাপ্পা মফমদগী লোকেল মেদ রোকেট বোম কাপশিল্লক্লুনা এটেক চত্থরকপদা মীওই অমা লৈখিদ্রে, মীওই মঙানা অশোক অপন নংলে।

ঙসি নুংথিল পুং ৩ খরা হেল্লকপা অদুৱাইদা চাউরাকা কিলোমিতর মরিরোম লাপ্পা মফমদগী হায়রিবা য়ামা শান্না পাইবা ঙম্বা শক্তি লৈরবা রোকেট বোম কাপশিল্লক্তুনা এটেক চথ্বরকপদা য়ুম অমগী মাঙ্গোলদা থৌরম অমগীদমক অরাংফম ফমদুনা থবক তৌরম্বা চহি ৭২ রোম শুরবা, মোইরাং ফিৱাংবম লৈকাইদগী আর.কে. রাবৈ কৌবা অহল অমা মফমদুমক্তদা লৈখিদে। অদুগা থৌদোক অদুদা শোক্লবশিং অদুনা হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়েংলি।

থৌদোক থোকফমদা কঞ্জুমর এফ্যারস মন্ত্রি লৈশাংথেম শুশিলদ্রো অমসুং মোইরাংগী এম.এল.এ- থোঙাম শান্তি লাক্তুনা য়েংশিনখি। খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রি শুশিলদ্রোনা হায়- থোক্লিবা থৌদোকশিং অসিদা মীরৈবাক্কী খুৎ য়াওই হায়না লোকেল মিদিয়ানা কয়ারক হন্না ফোংদোক্লবসু থোইনা লুমা লৌরমদে। অদুবু হন্দক্তা দ্রোনদগী বোম থাদদুনা মীশি মীনা থোকহনখিবা অদুদা মীরৈবাক্কী খুৎ য়াওই হায়না নেসনেল মিদিয়াদা ফোংদোরকপদগী ৱাথোক অসি কেন্দ্র সরকারনা য়ামা লুমা লৌবা হেনগৎলক্লি। মন্ত্রিনা হায়- সরকারনা কন্না হোৎনবদগী হৌখিবা মতম খরা শান্তি ওইনা লৈরুরবনি। অদুবু সরকারনা মখা তানা মপুং ফানা শান্তি হঞ্জিনহন্নবা খোঙথাং কয়া মখা তানা লৌখৎক্লিবা অসিদা অয়েৎ অপন থোকহন্নবগীদমক অতমনা থৌদোকশিং অসি থোকহল্লকপা ওইগনি।

মোইরাংদা রোকেট বোম কাপশিল্লক্তুনা মীশি মীনা থোকহনখিবা অদুগী মতাংদা ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমীনা হায়- লোকেল মেদ রোকেট বোম অদু মোইরাংদা লৈবা আই.এন.এ মেমোরিয়েল কমপ্লেক্স লান্না পাইদুনা লাক্লগা মোইরাং সেন্দ্রা রোডতা লৈবা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি অমদি ফ্রিদম ফাইতর এম. কোইরেংগী য়ুমদা তাদুনা পোকখায়বনি। মদুদা লুচিংবা অসিগী খিন্দুনা থম্বা মীতম অমসু অকায় অতোই নংখি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ত্রোংলাউবীদসু ঙসি অয়ুক বোম কাপশিল্লকপদগী টোইলেট অমা পুমকায় কায়রে, য়ুমগী শরুক খরসু অমাং অতা থোক্লে।

পুলিসকী পাউনা হায়- ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং মরি মিনিট ২০ চৎপা অদুৱাইদা ত্রোংলাউবী মখা লৈকাইদা লৈবা কৈশাম লোকেন কৌবা মীওই অমগী ইঙ্খোলদা বোম অদু কাপশিল্লকখিবনি। বোম অদু নোংচুপ থংবা থাংজিং চিংলোমদগী কাপ্লকপনি হায়রি।

এল্লায়েন্স (এল)ঃ মণিপুর দেমোক্রেতি এল্লায়েন্স (এম.দি.এ)না হায়রি- মণিপুরদা হন্দক মরক দ্রোনদগী বোম থাদবা য়াওনা অফবা মখলগী বোম তম্পাক্কী মফম কয়াদা থাদরক্কুনা এটেক চথরক্লিবা অসি ভারতকী ইন্তরনেল সেক্যুরিতিদা চাউনা শিংনরকপা অমনি।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা শিব সেনা বালা সাহেব ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এম.দি.এগী চেয়ারমেন ডাঃ পি.ঐচ. জিলাসনা শর্ম্মনা হায়- লৈবাক অসিগী অপুনবা শক্তমদা শিংনরক্লিবা অসি কেন্দ্র সরকারনা চপ চানা থবক লৌখৎপা মতম য়ৌরে। মহাকা হায়- হৌজিক্কী লুরবা তানফম অসিদা সস্পেন্সন্স ওফ ওপরেসন (সু)গী ৱাফম অসি য়ামা লুবা ৱাফম অমা ওইরক্লি। সু অসি ভারত সরকারগা কুকি মিলিটেন্টশিংগা সহি তৌনরবসু মণিপুরদদি মসি চৎনবা য়ারোই।

পাউগী মীফম অদুদা ৱা ঙাংবদা এম.দি.এগী কনভেনর ডাঃ এম. তোম্বী সিংহনা হায়- হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা হিংশা অসিদা মীয়ামা পাল্লিবা শান্তি হঞ্জিনহল্লকপা হায়বসি কেন্দ্র সরকারনা তৌগদবনি। অসিগুম্বা লুরবা তানফম অমদা ইলেক্তেদ গভর্নমেন্ট অমা লৈবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে। মহাকা হায়- চহি অমা থা মরি হেঞ্জিল্লক্লবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা অমনা অমবু হুন্নবগী থবক অসি তোক্কদবনি। শ্রী তোম্বীনা হায়- মুখ্য মন্ত্রি কয়ারক শিল্লবসু কুকিশিংনা তাল্লিবা দাবী অসিদি কৈদৌনংদসু পীবা ঙমলোই। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা কনাগুম্বা খরনা অতমনা সরকার থুগাইনবা শিনবা হায়বসি অরানবা খোঙথাং ওইগনি। মহাকা হায়- মণিপুর অসি মশাগী লম, লোল অমসুং কলা সংস্কৃতি লৈজবা লমদম অমনি। মরম অদুনা লমদম অসিগী অপুনবগী শক্তমদা কৈদৌনুংদসু শংতাইনবা তৌরোই।

ছুতি (এল)ঃ মণিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা মহৈরোইশিং অমদি ওজাশিং অশোই অঙাম থোক্তনবা হয়েং রাজ্য অসিদা লৈরিবা মহৈ লোইশঙ খুদিংমক সরকারনা ছুতি লাউথোকখ্রে।

রাজ্যগী ইজ্‌কেসন (এস)কী দাইরেক্তর এল. নন্দকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- সরকারগী স্কুলশিং, গভর্নমেন্ট এদেদ, প্রাইভেট অমসুং সেন্ত্রেল স্কুল পুমমক হয়েং ছুতি ওইগনি।

কোকোমি (এল)ঃ কৌত্রুক্তা মীচম নুপী অমা লৈখিদবা অমদি কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখিবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা অমদি অতৈ দাবী কয়া তকশিন্দুনা কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রীতি (কোকোমি) গী লমজিং মখাদা মীয়ামনা ঙসি মফম কয়াদা হ্যুমেন চেন শেমদুনা পেন্দবগী খোল্লাউ লাউখ্রে। মীয়ামনা মফম কয়াদা থোরক্তুনা ঙসি অয়ুক পুং ১১ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা লম্বী, স্কুল, কলেজ অমদি ওফিস কয়াগী মমাংদা পরেং শাংনা লেপ্তুনা মীচম মীয়াম ঙাকপা ঙমদবা, সেন্ত্রেল ফোর্সশিং লৌথোকউ, দ্রোন বোম্বিং টেরোরিষ্টকী থৌওংনি হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাউখি। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবী মহৈরোই নুপী অমনা অসুমা ফোংদোক্লি।

ব্লোকেদ (এল)ঃ নেসনলে হাইৱে-৩৭ কম্পেন্সেসন লোক আউট প্রোপরতিজ লেন্দ এন্দ ষ্ট্রকচরস ওর্নরস এসোসিয়েসন্না নেসনেল হাইৱে অসিগী খোংশাংদগী কম্বিরোল ফাওবগী শরুক্তা ইকোনোমিক ব্লোকেদ চখ্থবা হৌখিবদগী লম্বী অসিদা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা থোক্লে। লম্বী শেন্বদা শোকপা লমশিং অমদি ষ্ট্রকচরশিংগী ক্ষেতিপুরন পীনবা দাবী তকশিন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ হুমিগী ওইনা ইকোনোমিক ব্লোকেদ অসি চখ্থবনি হায়রি।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচরগী কাঞ্চিপুর কেম্পসতা চয়োলগী ওইনা পাঙথোকপা লু-নানবগী থৌরম অমা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার পাউনম গুনিন্দ্রো সিংহনা ঙসি হৌদোকখ্রে। থৌরমগী

শরুক অমা ওইনা মহৈরোইশিংনা মশা মশাগী দিপার্টমেন্টশিংবু শেংদোক্কুনা লু-নান্না থমখি।

এআর (এল)ঃ নোনে জিলাগী খুমজিদা লৈবা একাদমি অমদা অসাম রাইফলসনা মহৈ মশিং তম্বদা চংবা তঙাইফদবা পোৎলমশিং মহৈরোইশিংদা য়েন্থোকখ্রে। মহৈরোইশিংবু মতেং পাংবগী মখা তানা চথরকপা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকখিবনি হায়রি।

সমাগ্রা (এল)ঃ সমাগ্রাহ শিক্ষাগী শেন্থুং মখাদা ককচিং জিলাগী সেকমাইজিন প্রাইমারি স্কুলদা নৌনা শাবা এক্সটেন্সন রুম অমা ঙসি শঙ্গাখ্রে। থৌরম অদুদা জোনেল ইজ্‌কেসন ওফিস, ককচিংগী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

ফুটবোল (এল)ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না শিনদুনা নোংচুপ বেঙ্গলগী বেরহম্পোর ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা সব জ্‌নিয়র গর্লস নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী মেটচ অমদা মণিপুরনা মিজোরামবু পাঞ্জল ৯-০ দা থোইখ্রে। থা অসিগী ৯ দা মণিপুরগা ৱেষ্ট বেঙ্গলগা সেমি ফাইনেলদা থেংনরগনি।

ফুটবোল (এল)ঃ দি.এস.এস ককচিংনা শিন্দুনা হৌজিক চথরিবা ১৮ শুবা দি.এস.এ ত্রোফি ইনভাইটেসন ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.দব্লিউ.য়ু ককচিংনা অকশা ককচিং খুনৌবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখি।

আইজোল ঃ এক পের মা কে নাম হায়বা কেম্পেনগী মখাদা অকাশবানি আইজোলগী কর্ম্মচারিশিংনা ঙসি উ চারা থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অকাশবানি আইজোলগী দিরেক্তর অমদি দুরদর্সন কেন্দ্র আইজোলগী দিরেক্তর য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং অমদি ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি।

অমতি ঃ   জম্মু কাশ্মীর বিধান সভা মীখলগীদমক বি.জে.পিগী মেনিফেষ্টো ঙসি বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ফোংখ্রে। নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা জম্মুদা লৈরিবা শ্রী সাহনা মেনিফেষ্টো অদু ফোংলদুনা হায়- লৈবাক অসিনা হেক নীংতম্লকপদগী হৌরগা জম্মু কাশ্মীর অসি দল অসিগী ওইনা য়ামা মরুওইবা মফম অমনি। জম্মু কাশ্মীরদগী আর্তিকল ৩৭০ লৌথোকখিবা অদু ঐতিহাসিক ওইবা খোঙথাং অমনি অমসুং মদু অমুক হল্লক্লরোই। শ্রী সাহগী খোঙচৎ অসিগা ইরোয়ননা জম্মু কাশ্মীরগী বি.জে.পি লুচিংবশিংনা মীখলগীদমক ভোৎ খোম্বগী থবক কনখৎনবা শেম শাবা হৌখ্রে।

পিএম ঃ   প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নেসনল টিচর এৱার্দ পীদুনা ইকাই খুমখ্রবা ওজাশিংগা ঙসি উনদুনা ৱারি ৱাতাই শান্নখ্রে। কুমসি চহীগী ওজাশিংগী নুমিত্তা রাষ্ট্রপটি দ্রৌপদি মুরমুনা লৈবাক অসিগী অফবা ওজা ৮২ খনগত্তুনা নেসনল টিচরস এৱার্দ পীদুনা ইকাই খুমবা উৎখিবনি।

ৱারী শান্নবা অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মহৈরোইশিংবু মশা মশাগী মমা লোলদা মহৈ তম্বীবগী থৌরাং অসি মপুংফানা পায়খৎপা তঙাইফদে। ওজাশিংনা লমদম লমদমগী ওইবা ফোল্ক লোশিং তোঙান তোঙানবা লোলশিংদা মহৈরোইশিংদা তম্বীনবা হোৎনগদবনি। মসিনা ইনাক খুল্লবা ভারতকী কলা সংস্কৃতিগী মতাংদা মহৈরোইশিংদা হেন্না খঙহনবা ঙমগনি। মসিগী মথক্তা মহৈরোইশিংবু ভারতকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ইজ্‌কেসনেল টুরশিং শিন দুনা পুবীরবদি মফমশিং অদুগী খেন্নবা কয়া হকথেংননা খঙজবা ঙমগনি।

দাইলোগ ঃ ভারত অমসুং মোলদ্বিপসকী মরক্তা ঙাকশেলগী লমদা তেংবাং পীননবা মঙাসুবা মীফম ঙসিদগী নিউ দিল্লিদা হৌখ্রে। ভারতকী মাইকৈদা দিফেন্স সেক্রেতরি গিরিধার অরামেন্না লুচিংলি। অদুগা মোলদ্বিপসকী মীহুৎ কাংবু অদুবুনা চীফ ওফ দিফেন্স ফোর্স, জেনেরেল ইব্রাহিম হিলমিনা লুচিংলি।

মীফম অসিদা ঙাকশেলগী লমদা মখা তানা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱাফমশিং খন্নবগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক পায়খৎলিবা ঙাকশেলগা মরী লৈনবা প্রোজেক্টশিং অথুবা মতমদা লোইশিন্নবসু খন্নগনি।

**মাওইষ্ট ঃ** আইন্না থিংখ্রবা সি.পি.আই মাওইষ্টকী মীওই ৬ ঙসি তেলঙ্গনাগী ভাদ্রাদ্রি কোথাগুদেল জিলাদা লৈবা মোথে ভিলেজ মনাক্কী উমংদা পুলিসকা খুৎ থোকবদা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবশিং অদুগী মনুংদা নুপী অনি য়াওরি। পুলিসকী পাউনা হায়- থৌদোক অদুদা ইলিট এন্তি নক্সাল ফোর্সকী কম্মান্দো অনি শোকখি। থৌদোক থোকফমদগী পুলিসনা এ.কে. ফোরিতি সভেন রাইফল অনি, এস.এল.আর অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা অমসুং পিষ্টোল অমা ফংলে। থৌদোক অসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথুরি।

**পেরালিম্পিক্স ঃ** পেরিস পেরালিম্পিক্সতা ভারতকী প্রবিন কুমারনা নুপাগী হাই জম্পতা সনাগী তকমান লৌরকপদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- গেমস অসিদা ভারতকী শান্নরোইশিংনা শিংথানিঙাই ওইবা পার্ফোমেন্সশিং পীদুনা তকমান কয়া লৌরক্লি। মদুগী মনুং চন্না প্রবিন কুমারনসু হাই জম্পতা মহাক্কী হৈথোই শিংথোইবশিং নিংথিনা উৎতুনা লৈবাক অসিগী মায় পুরকপা ঙমলে।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- প্রবিন কুমারগী চপ য়ুংনা লেপ্পা ফিরেপনা কন্না হোৎনবগী মহয়না জাতি অসিনা চাউথোকচবা ফংজরে। মহাক্কীদমক ভারতনা চাউথোকচরি হায়না প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোক্লি।

------